## জে এফ আই জুদো ত্রেনিং সেন্তর অমা ময়াং ইম্ফালদা অথুবদা হাংদোক্লগনি

# মণিপুরগী জুদোকাশিং ফোরেন কোচকী মখাদা ত্রেনিং ফংগদৌরি

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৮ ঃ

জুদো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরদা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা অফবা জুদোকা কয়া পুথোক্লবগী পান্দমদা ময়াং ইম্ফালদা লৈবা ময়াই লন্বী স্পোর্টস একাদেমি (এম এল এস এ) কমপ্লেক্সতা জে এফ আই জুদো ত্রেনিং সেন্তর, ইম্ফাল অথুবা মতমদা হাংদুনা মণিপুরগী জুদোকাশিংদা অখন্নবা ত্রেনিং পীগদৌরি।



জুদো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম মঙা খনগৎতুনা জুদো ত্রেনিং সেন্তর হাংদোকপদা ইম্ফাল য়াওরকখিবনি। সেন্তর হাংলিবা মফমশিং অদুদি ইম্ফালগী ময়াং ইম্ফালদা লৈবা ময়াই লন্বী স্পোর্টস একাদেমি, দেল্লি, হরিদ্বার, সোনিপট অমসুং আনন্তপুরনি।

জুদো ত্রেনিং সেন্তর মঙা অসি ইন্টরনেসনেল জুদো ফেদরেশনগী ইনিসিএটিভ মখাদা জুদো ফেদ্দরেশন ওফ ইন্দিয়ানা পায়খৎপনি। হায়রিবা সেন্তরশিং অসি লোকল স্পোন্সরশিংগী ফাইনান্সিয়ল সপোর্টকা লোয়ননা চলাইগদবনি। অহানবা তাঙ্ককী ওইনা সেন্তর অসি চহী মরি চলাইরবা মতুং হেন্না পার্ফোমেন্স ফজরক্লগদি চহী ১২ ফাওবা শাংদোক্কনি।

ইম্ফালগী জুদো ত্রেনিং সেন্তর অসিদা শীজিন্নবগীদমক হৌজিক হৌজিক ইন্টরনেসনেল জুদো ফেদরেশন্না মতমগা চুনরবা য়াম্না অফবা মখলগী চাইনানা শাবা জুদো মেদশিং থুংলরে। লোয়ননা সেন্তর অসিগী মখাদা পূন্না জুদোকা ৫০ দা ত্রেনিং ফংহনগনি। জিমগী ইক্বিপমেন্ট কয়াসু হৌজিক লোকল স্পোন্সরশিংনা দোনেট তৌবনি। অথুবা মতমদা জিমগী ইক্বিপমেন্টসু ইম্ফালদা থুংলরগনি। য়াম্না অথুবা মতমদা হৌদোক্লবা পান্দম থল্লিবা জুদো ত্রেনিং সেন্তর অসিগী মখাদা কোচিং ফংগদবা জুদোকাশিংগী ত্রাইএলসু পাঙথোক্লগনি। ত্রাইএল অসিদগী শান্নরোয় ৫০ খনগৎকনি।

সেন্তর অসিগী মখাদা ত্রেনিং ফংগদৌরিবা জুদোকাশিংদা ষ্টাইপেন ওইনা থা খুদিংগী লুপা লিশিং ১/১ অমদি কোচতনা লুপা লিশিং ১০ পীগনি। মতম মতমগী মতুং ইন্না জুদো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনেল কোচশিং থারক্তুনা মতমগা চুনরবা অনৌবা টেক্নিক কয়া তাকপী তম্বীবগা লোয়ননা দরকার লৈরবদি অফবা শান্নরোয়শিং খনগৎতুনা ফোরেন্দা কোচিং ফংহন্নবগী পান্দমসু থল্লি।

জুদো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ানা সেন্তর মঙা হাংদোক্কদৌরিবা অসিগী মনুংদা ইম্ফালগী সেন্তর অসিদা হেন্না অকনবা মিৎয়েং থম্বগা লোয়ননা ইম্ফালগী সেন্তর অসিনা করিগুম্বা পার্ফোমেন্স ফরক্লবদি অতোপ্পা সেন্তর অমসু ইম্ফালদা হাংদোক্কনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, জুদো মশান্না অসি মণিপুরগা য়াম্না চান্নবা মশান্না অমা ওইবদা নত্তনা ওলেম্পিয়ন অনী এন ব্রোজেশ্বরি অমসুং টি ঐচ তোন্বী পুথোকখ্রবনি। লোয়ননা ইন্টরনেসনেল জুদোকা ৫০ গী মথক্তা পুথোক্তুনা মণিপুরগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবনি।

# মণিপুর পুলিস এ, খুরাই পোলো ক্লব এনা ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৮ ঃ

ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা চথরিবা লমদমসিগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা পোলো টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ৩১ শুবা এন হজারি অমসুং ডো. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ কী ফাইনেল থা অসিগী ১০ দা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এ অমসুং খুরাই পোলো ক্লব টিম এগা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা মণিপুর পুলিস টিম এনা মণিপুর পুলিস টিম বি পাঞ্জল ৯-৫ দা মায়থীবা পীরক্লগা মণিপুর পুলিস টিম এ ফাইনেল চঙখিবনি। মায়থীহৌরবা মণিপুর পুলিস টিম বি ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

মায় পাক্লবা মণিপুর পুলিস টিম এগী পাঞ্জলশিং অদু ঐচ অবুং খুমন্না পাঞ্জল ২, এস বিমোলনা পাঞ্জল ৪, এম জৱান্না পাঞ্জল ১, টি ঐচ রঞ্জিৎনা পাঞ্জল অমা অদুগা আউন গোল অমগা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৯ শুখি। মণিপুর পুলিস টিম বিগী পাঞ্জল অদু টি ঐচ কাউবনা পাঞ্জল ৩, সুরেস অমদি নোংপোকঙানবনা পাঞ্জল ১/১ চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা খুরাই পোলো ক্লব টিম এনা ঈ এস সি টিম এ পাঞ্জল ৬-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। খুরাই পোলো ক্লব টিম এগী পাঞ্জলশিং অদু পি জোতিন্না পাঞ্জল ২, পি ওজিৎনা পাঞ্জল ২, ও রোজর অমসুং হোভি অচুমিনা পাঞ্জল ১/১ চনখি। ঈ এস সি টিম এগী এল থোমসন্না পাঞ্জল ৩ অদুগা টি ঐচ জেকোবনা পাঞ্জল ২ চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৫ শুখি।

# অনীশুবা এস এস কে এম ওপন ষ্টেট লেভেল করাটেদো চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৭ ঃ সিটো রিয়ু সৈকো কাই করাটেদো মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা অনীশুবা এস এস কে এম ওপন ষ্টেট লেভেল করাটেদো চেম্পিয়নশিপ শান্নরোয় ২০০ রোম্না শরুক য়াদুনা চথবা হৌখ্রে।

থা অসিগী ১০ ফাওবা চথগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা চহী ৮ মখাগী নুপীগী কাটাদা য়াইরিপোক্তগী অকোইজম ওমিতা দেবীনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। চহী ৯ দগী ১০ ফাওবগী নুপীমচাগী কাটাদা আই এস কে এফ পাৎশোই পার্ট ৱানগী মুতুম ঙাম্থোই চনুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। য়াইরিপোক্কী সি ঐচ প্রিয়াঙ্কানা শিলভর মেদল ফংখ্রে।

নুপীমচাগী চহী ১১ দগী ১২ ফাওবগী কাটাদা ঐচ রাসিনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। টি ঐচ ব্রিন্দানা শিলভর মেদল অদুগা থোকচোম মোনিকানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে। নুপামচাগী চহী ১১ দগী ১২ ফাওবগী কাটাদা নাওরেম জোন সিংহনা গোল্ড অদুগা এস মালেমঙানবনা শিলভর মেদল ফংখ্রে।

নুপামচাগী চহী ১৩ দগী ১৫ ফাওবগী কাঙলুপ্তা লাইশ্রম য়াইফবনা গোল্ড মেদল অদুগা এস ঐচ গুনচান্দনা শিলভর মেদল ফংখ্রে। সেনিয়র বোইজ কাটাগী কোফুকানদা য়াইরিপোক্কী সি ঐচ রাজুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

চহী ১৩ দগী ১৫ ফাওবগী নুপীগী কাটাদা থোকচোম রোজিনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। নুপীগী সেনিয়র কাটাদা বেবিশ্বরিনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। চহী ৮ মখাগী নুপাগী কাটাদা সুফাবনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। নুপামচাগী চহী ৯ দগী ১০ ফাওবগী কাটাদা পি ঐচ নেলসন্না গোল্ড মেদল অদুগা টি লিক্সন্না শিলভর মেদল ফংখ্রে।

# সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোলদা মণিপুরনা টামিল নাদু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৭ ঃ মধ্য প্রদেশকী জবলপুরদা চথরিবা ২১ শুবা সেনিয়র ৱিমেন'স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ (ফাইনেল রাউন্দ) ২০১৫-১৬ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেচতা মণিপুরনা টামিল নাদু গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেচ অদুদা মায় পাক্লবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা মেচকী মতম অয়াম্বদা টামিল নাদুগী মায়কৈদা অকনবা এটেক চথখি। মণিপুরনা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দ অদুদা চাউনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দ মেচ থা অসিগী ১০ দা উরিষাগা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা মায় পাক্লবা মণিপুরগী গোলশিং অদু দাংমৈ গ্রেসনা গোল অহুম মেচকী ২০, ৪০ অমসুং ৫৯ অদুগা ও বেমবেমনা গোল অনী মেচকী ৩১ অমসুং ৭৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

# কে সি মালিক মেমোরিএল ফুটবোল

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৮ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ২৫ শুবা কে সি মালিক মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেচতা ২৭ আসাম রাইফলস কদমটলানা লোংগ্রেজাং এফ সি গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। হয়েং য়াইফ লমজিং ক্লব দিবোং খুনৌগা দিগর ঐচ এস সিগা শান্নগনি।






















Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com